## লৈঙাক্না য়ানবা পুরক্কুবা হোৎনবীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭:মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্তা লৈরিবা ঐখোয় অসি অমত্তনি। গভর্ণমেন্ট লৈনা লৈনা ওর্গনাইজেসন অমগা অমগা শিংনবা অসি তৌবীগনু। করিগী গভর্ণমেন্টতা থাজদ্রিবনো। গভর্ণমেন্টনা শোয়দনা ঈং-তপ্পা পুরক্কনি হায়না হাও রিছার্স গিল্ডগী এদভাইজর আর ভি মিংথিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঐহাক্না অহল অমা ওইনা লৈরিবা ফুরুপ পুন্নমক্তা আপিল তৌজবনি। য়ু এন সীনা চত্থরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিসু তোকপীরো, গভর্ণমেন্টনা থৌদাং লৌবীরো। করিগী গভর্ণমেন্টবু থাজদবনো, গভর্ণমেন্টনা শোয়দনা ঈং-তপ্পা পুরক্কনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা হায়রগা ৱারী শানরগা ঈং-তপ্পা পুরক্কুবা হোৎনবীয়ু। মীহৌরোলদগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্কুবা ঙাক্তনি। ৱাখল তান্নদবদগী তৌবা ওইরবসু গভর্ণমেন্ট অমদি য়ু এন সী অনীনা য়ানবা পুরক্কুবা হোৎনবীয়ু।

## মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: পব্লিক হেল্‌থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা কুমজা ১৯৯৫ কী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা কেজুয়েল/মাষ্টররোল ওইনা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী অপূনবা মীফম অমা থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ওরেন্টেল চিলড্রেন গাইদ জুনিয়র হায়স্কুল, শগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক মচিন ন্যু কছার রোদতা পাঙথোক্কনি হায়রি। মীফম অসিদা কোর্টনা পীরকপা ওর্দর অদু অথুবা মতমদা ৱার্ক চার্জ ওন্নবগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থবক থৌওং কয়া অদুগী মতাংদা নৈনগনি হায়না ওল মণিপুর পি ঐচ ঈ দি ৱার্করস এন্দ ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## য়াইফ থৌনি থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ : থৌদাম বোর্দিন ফিল্ম প্রদক্সন্না পুথোকপা অনীশুবা ফিল্ম *ৱাকচিংগী লেন* গী য়াইফ থৌনি থৌরম ঙসি নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়, থৌদাম লৈরক্তা লৈবী বোর্দিনগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা য়াইফ-থৌনি থৌরম অদুদা পাৎশোই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ফোর্মর এম এল এ, এস কুঞ্জকিশ্বর (কেবা) না চীফ গেষ্ট, এল সূর্যকান্তা শর্ম্মা, চ্যেরমেন, ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ইগজিক্যুটিব মেম্বর এস মাঙ্গোলজাওনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবী জয়ললিতানা থা অসিগী ৫ গী নুমীদাং চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা লৈখিদবদা সী পি আই (এম-এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই (এম-এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা অথোইবী নুপীলক্তা তোমথিন ঙানবী জয়ললিতানা লৈখিদবসি মেনখৎপা ঙমদনা মাঙজবা অমনি। জয়ললিতাগুম্বী নুপীগী লুচিংবী ইন্দিয়াদা অমুক হন্না পোক্লক্লরোই হায়বা য়াই। মহাক্না পোলিটিক্সতা খোঙদাদ্রিঙৈ ইংলিস, টামিল অমসুং হিন্দী য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ৩০০ লোম কুপ্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৮২ দা পার্টি অসিগী প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ওইরম্মী।

কুমজা ১৯৮৪ দা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা খনখি। কুমজা ১৯৮৮ দা মেম্বর ২৪৩ লৈবা হাউসতা অহানবা নুপীগী ওপোজিসন লুচিংবী ওইরম্মী। মহাক্কী অখাঙ কনবা অমসুং মীয়ামগীদমক কখোকপা থবক থৌরক কয়া অদুনা কুমজা ১৯৮৯ গী মার্চ ২৫ দা পাঙথোকপা টামিল নাদু এসেমব্লীদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা মহাক টামিল নাদুগী অহানবা নুপী চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা মথং মথং টামিলগী নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি।

থা ১ দা শুপ্পগী লুপা ১ খক লৌদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী শিংথানিংঙাই ওইরবী লুচিংবী জয়ললিতাগী পুন্সিদা পোলিটিক্সতা অকা-অকুম নাইবা কয়া লৈরবসু মহাক্কী কখোকপা, মীয়ামগী খনবা অদুগী টামিল মীয়াম্না *আম্মা* হায়বা মিংথোন পীদুনা লাইগুম্না খনখিবী লুচিংবীনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## বোম থন্নম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লূচিংবা থৌনাওজম চাওবগী উৎলৌদা লৈবা য়ুমগী থোঙ্গালদা ঙসি নুমিদাং মতিক ময়ায় চেল্লবা আই ঈ দি অমা শকখঙদবশিংনা থমজিল্লম্লে। বোম অদু চথোক-চৎশিন তৌবা মীয়াম্না থেংনরকপদগী মফম অদুদা বোম ফুপ্লে হায়বা খঙনরকখি। তুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পার্সনেল কয়ামরুম লাকখি অমসুং কায়নথংদা বোম অদু অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা লৌথোকখি হায়রি।

## কংলাদা লৈরিবা স্লিম কোটেজগী শত্তম মাঙহনখ্রে

### এ আর অমসুং লৈঙাক্না কংলা মনুং শেমগৎপদা থম্মোয় শোকপা য়াওনরে



*অসেম বেবিচা*

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা জাপানবু মায়থীবা পীখিবা এলাইদ ফোর্সকী কম্মান্দরনা লৈরম্বা স্লিম কোটেজগী শত্তম মাঙখ্রে। মসিনা মীওই কয়ামরুমদা থম্মোয় শোকহল্লে।

কংলা মনুংদা লৈরিবা স্লিম কোটেজ অসি মণিপুর লৈঙাক্না য়াম্না মরুওইনা লৌদ্রবসু অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা থৱায় কৎখ্রবা এলাইদ ফোর্সকী কাদরশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনদি য়াম্না লুম্না লৌরি। মণিপুরদা লাক্লগা মখোয়না কংলা য়েংলিবসি অতৈমফমদা মীৎয়েং থমদে, স্লিম কোটেজ লৈরিবা মফম অদু তাকপীননবা হেক হেক ফোঙদোকই হায়না মপান লৈবাক্তগী লাকখিবশিংগী গাইদ ওইখিবা মীওই অমনা পাউ-চে অসিদা হায়রি।

স্লিম কোটেজ অসি কুমজা ১৯০১ দা শাখিবনি। মফম অসিদা ৪-আসাম রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসর লৈরম্মী। মসিদসু নত্তনা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদদি এলাইদ ফোর্সকী কম্মান্দর লৈরম্মী।

কম্মান্দর অসিগী লাঞ্জিং মখাদা জাপানিজশিংবু ইহান হান্না মায়থীবা পীখি। মহাক্কী থৌনা ফবা অমসুং লাম্হোং শিনবা হৈবগীদমক জেনরেল স্লিমবু লোদ মাউন্ট বেট্টননা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎখি অমসুং অফবা জেনরেল হায়না মিংথোন পীখি।

পুৱারীগসু য়াম্না শাগোন্নরিবা, কংলাগী মতাংদা হেন্না খঙনিংবশিংদা অচঙবা খুদম ওইনা উহল্লিবা স্লিম কোটেজ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী পি দব্লিয়ু দিগী ইঞ্জিনিয়ারশিংনা চহী খরগী মমাঙদা শেমদোক শেমজিন তৌখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা বৃটিশকী আর্কিটেক্কী মখাদা শাখিবা য়ুমশা কায়হল্লে হায়দুনা মফমদুদা য়েংবা লাকপা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংদা থম্মোয় শোকহল্লে।

গাইদ অদুনা মখা তানা হায়, হান্নদি স্লিম কোটেজ অসিগী য়ুমথক অদু এসবিষ্টোস (য়ুমথক কুপ্পদা শীজিন্নবা) না কুপ্লম্মী। অদুবু নোং য়ুরকই হায়ুনা ষ্টেটকী পি দব্লিয়ু দিগী মীৎয়েং মখাদা য়ুমথক অদু এসবিষ্টোস লৌথোক্লগা তীননা ওইনা কুপশিনখি। মতমদুদা কংলা ফোর্থ বোর্দকী মেম্বর ওইরিবশিংগী মরক্তা য়াম্না মোত খেন্নখি। অদুবু লৈঙাক্কী প্রেসরনা মরম ওইরগা অদুম্মক তীন্না কুপখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, কংলা শেমগৎনবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শেল য়াম্না থাদরকখিবসিগী মরুওইবা মরম স্লিম কোটেজ অসি লৈবননি। হায়রিবা স্লিম কোটেজ অসিগী য়ুমথক্তা কুপ্লিবা এসবিষ্টোস অদু হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়দুনা মণিপুরগী অখঙ-অহৈশিংনা হায়বা লৌনখি। অদুম্মকপু বোর্দকী মেম্বর ওইখিবা ওইনাম এ সীগী এম এল এ, ডা. আই ইবোহলবীনদি এসবিষ্টোস অদুনা হকচাং শোকহনবা নত্তে, মদু শাবদা থোরকপা গ্যাসতুনা হকচাং শোকহনবা ওইগনি হায়না য়াম্না কন্না মোত পীরম্মী হায়রি।

স্লিম কোটেজগী শত্তম মাঙহনখিবগী মতাংদা হন্দত্তা ওষ্ট্রেলিয়াদগী লাকখিবা মীওই অহুম্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লমখি। মখোয়না ফোঙদোক্লম্বগী মতুংইন্না বৃটিশকী য়ুমশা খুদিংমক্তা স্পেজ য়াম্না পান্বগী মমি তাই। য়ুমথক অদুসু এসবিষ্টোসনা অয়ান্বনা কুপ্পী। নোং য়ুই হায়রবসু চপ মান্নবা মখলগী এসবিষ্টোসশিংনা শিন্দোকখিবা য়াই হায়রি।

লমকোয়বশিং অদুনা স্লিম কোটেজগী য়ুমথক অসি করিগীদমক্তা তীন্না কুপ্লিবনো হায়না হংখিবদা ষ্টেট আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টকী মশক নাইবা ওফিসলশিংনা পাউখুম অমত্তা খুন্বা ঙমখিদে। মদুগী মহুত্তা য়ুমথক কুপ্পনবা পোৎ অদু ফংদবদগীনি হায়না লান্না পাউখুম পীখি হায়রি।

কংলা মনুংদা পুৱারীগা শাগোন্ননা লৈরম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়ামরুম আসাম রাইফলসনা মাঙহনখ্রে। কংলা মনুংদা লৈবা মরুওইবা য়ুম কয়ামরুম আর সী সীগী ফ্লোর ওইহনখ্রে। হান্নদি ফ্লোরশিং অদু মপাঙ্গল কল্লবা উবাকশিংনা ওইরম্মী। চহী ১০০ হেল্লবা য়ুমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্না তুং কোয়নগী ওইনা ঙাক শেন্নবগী থৌশিল লৌখৎপা চুমগনি অমসুং ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা শেমগৎননবা থৌরাং তৌহন্নিংই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## পাউমীশিংগী নীংশিং খুভম শেমগৎনবা

### এম এল এ জয়কিষন্না উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা পুলিসকী নোংমৈ মরূনা পানবদগী লৈখিদ্রবা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী পাউমী থাংজম দ্বিজমনি এলিয়স ননাওগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংগী খুভমদা পাউমীশিংগী ওইবা নীংশিং খুভম অমা শেমগৎননবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লেজিসলেচর লিদর এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ঙসি উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

কুমজা ২০১২ গী দিসেম্বর ২৩ দা থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংখোঙদা কেমেরা পায়দুনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা পাউমী দ্বিজমনি লৈখিদবনি। পাউমী অসিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকফম থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংদা পাউমীশিংগী নীংশিং খুভম শাবীননবা অমজুগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা তক্কদুনা লাকখিবনি। অদুবু এম এল এ জয়কিষননা খুভম অসি শেমগৎ-শাগৎপগী অচঙবা শেনফম পুন্নমক পুথোক্লগনি হায়দুনা ঙসিদগী অমজু অমসুং নহারোল লৈশেম্বা ক্লবকা পুন্না খুৎশম্নদুনা নীংশিং খুভম শানবগীদমক উরেপ-উয়ুং তমখিবনি।

নীংশিং খুভম উরেপ-উয়ুং তল্লদুনা এম এল এ জয়কিষননা হায়খি, অমজু অমসুং নহারোল লৈশেম্বা ক্লব অনীগী মায়কৈদগী নীংশিং খুভম অসি শানবগীদমক আর্কিটেক্টনা দিজাইন তৌরবা দ্রোইং হেক পীরকপগা শাবা হৌরগনি। খুভম অসি নীংথিজবা মওংদা শাগনি। অসিগুম্বা খুভম অসি শাবদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎ অপন পীবীগনু।

কুমজা ২০১২ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা ঙসি ফাওবা পাউমী দ্বিজমনিগী নীংশিং খুভম অমত্তা মণিপুর লৈঙাক্না শাবীদনা লাকখি। পাউমীশিংগী নীংশিং খুভম শাগদৌরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অয়েৎ অপন পীবীগনু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শমজাইনা হায়খি, কেমেরা পায়দুনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা পাউমী দ্বিজমনি পুলিসকী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবনি। মহাক্না লৈখিদবা থৌদোক অসি মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক লৈখিদবা মতম অদুদগী অমজুনা খুভম অমা শাবীনবা মণিপুর লৈঙাক্তা তক্কদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা শাবীদনা লাকখিবনি। এম এল এ জয়কিষননা নীংশিং খুভম শারগনি হায়দুনা ঙসি উরেপ-উয়ুং তম্বীবা অসিগীদমক অমজুগী মায়কৈদগী নুংঙাইবসু ফোঙদোকচরি হায়খি।

## জে দি (য়ু) গী অনৌবা ওফিস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী অনৌবা ওফিস অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হফিস হট্টাদা পার্টি অসিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওইবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্টকী ইন-চার্জসু পুরিবা অরুনকুমার শ্রিভাষ্টাভানা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে।

ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অরুনকুমার শ্রিভাষ্টাভানা হায়খি, ইন্দিয়া পুম্বগী মীয়ামদা দিমোনেটাইজেসন্না খ্বাইদগী অৱাবা ওইহল্লে। মসিদা নত্তনা লমদম অসিদা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থবনা তঙাইফদনা নুমীৎ খুদিংগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা অমসু লমদম অসিদা চাউনা মায়োক্লরি।

লৈবাক অসিগী কেপিটেল ওইরিবা দিল্লিদা দুকান অমসুং ফেক্টরি কয়া দিমোনেটাইজেসন্না মরম ওইদুনা থোঙ লোন্নখি। লৈবাক শিনবা থুংনা থা ১/২ অসিদা পাঙথোক্লবা লুহোংবগী থৌরমশিং হন্দক চহীসিদা মীয়াম্না পাঙথোকপা ঙমদ্রে। লুহোংনবগী শেল লৈতবনা থৌরম অসি মীয়াম্না পাঙথোকপা ঙমদবনি। বি জে পি লৈঙাক্না ব্লেক মনি খঙদোক-থিদোক্লবা তৌরকপা অসিবুদি তরাম্না ওকই। থৌওং অসিনা মীয়ামদা অৱা-চৈথেং কয়া পীরিবা অমদি ফেক্টরি অমদি দুকানশিংদা তারিবা মমিশিং অসিদি পুন্সিসিনা লৈরিবমখৈ কাউবা য়াররোই। বিহারদা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম্নাইবা আই এ এস ওফিসর য়াওনা মীওই মরি ব্লেক মনিগী থৌদোক্তা চেন্নবগীদমক ফাগৎখি। ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ব্লেক মনি থমজিনবগী থৌওং চত্থরি। দিমোনেটাইজেসনগী মতম লোইখিগদবা থা ১ তা ঙাইরক্লবা মতম অসিদা বেঙ্কশিংনা মীয়াম্না থম্ন রকখিবা শেলশিং পুল্লোই লোইরে। মতুংদা লেমহৌরিবশিংদি ব্লেক মনিনি হায়বগী থৌওং অমা চত্থরক্লিবসি বি জে পিনা থোকহনবনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু লৈবাক মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা মীওইনি হায়না মায় পাকপগী মিংচৎ লৌনবগী তাঞ্জা অদু বি জে পিনা লৌবনি।

বেঙ্ককী ক্যু অমদি পেট্রোল ফংদবগী ক্যুশিং তোঙান তোঙান্না লেপ্পবা উরি। সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ষ্টেটশিং হকচিন্না লৌদবগী মমি ঙসিসু তারি। বি জে পিগী লৈঙাক লৈত্রিঙৈদা লমদম অসিগী মফম কয়াদা বি জে পিনা ঙাওখিবা ৱাফমশিং ঙসি ফাওবদা করি করম্বা থবক পায়খৎলবগে হায়না হংখি।

থৌরম অদুদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী চ্যেরমেন তোম্বীনা য়ু এন সীনা ব্লোকেদ তৌরিবসি লমদম অসিগী মপানগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ফাওবা অকনবা ইনষ্ট্রক্সনশিং পীবদা য়ু এন সীনা ইনবীদে হায়খি।

সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা মণিপুরদা পায়খৎলিবা নেসনল প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিংদদি কোমথোকউ হায়না তকশিল্লবসু য়ু এন সীনা কোমথোকপগী ৱাফম লৈতে। সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্নসু য়ু এন সীনা চত্থরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি হন্দোক্লবা তকশিল্লি। ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি হন্দোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি।

থৌরম অদুদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হংখানপাও তাইথুল, নুমী য়ুনিটকী লুচিংবশিং অমসুং মেম্বরশিং য়াওখি। মখা তানা পার্টি অসিগী পোলিটিকেল কনফরেন্স অমসু পাঙথোকখি।

## কলচরেল য়ুনিভর্সিটি থম্বদা চুনবা মফমনি : গভর্ণর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটি থম্বদা চুনগদবা মফমনি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ঙসি চন্দ্রকৃর্তি ওদিটোরিয়ম কোনুং মমাঙদা পাঙথোকখিবা স্পেসল কলচরেল প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ন সোসাইটি ফোর কলচরেল কোওপরেসন এন্দ ফ্রেন্দশিপ (আই এস সী য়ু এফ)না দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরগী খুৎশম্নুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, কলচরগী লমদা মণিপুর থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানিংঙাই ওইবা লমদমনি। ষ্টেট অসিদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি থম্বদা য়াম্না চুনগনি। লমদম অসিগী মীওইশিংদা নাৎকী লমদা থোইদোক-হেন্দোক্না হৈথোই শিংথোইবগী শরুক য়াওরি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা স্পেসল কলচরেল প্রোগ্রাম অসিদা উৎলিবা কলচরেল আইটেমশিং অমদি পার্ফোর্মেন্সশিং অসি অসুক্কী মতিক শীংথানিংঙাই ওই। আর্টিষ্টশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈশিংবা কয়া উৎথোকপা ঙম্মী। মসি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ফাওহল্লি। ঙসি লমদমসিগী আর্টিষ্টশিংনা উৎখিবা বেলে কাবুলিৱালা অসিদা অসুক্কী মতিক নীংথিজনা পার্ফোমেন্স পীখি। ষ্টেট অসিগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা কলচরগী ওইবা পার্ফোমেন্স কয়া উবা ফংখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ন সোসাইটি ফোর কলচরেল কোওপরেসন এন্দ ফ্রেন্দশিপকী প্রসিদেন্ট ডা. এম নরানা হায়খি, ঈং-তপ্পা পুরকপদা কলচর হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। কলচরনা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংগী থোইদোক-হেন্দোকপা মগুণ কয়া অমা লৈরিবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা স্পেসল কলচরেল প্রোগ্রাম অসিদসু আর্টিষ্ট কয়ানা পার্ফোর্মেন্সশিং উৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওজা পাওসা না ইবা লাইরিক অমসু ফোঙখি। মণিপুরগী আর্টিষ্ট কয়ানা নাচোম জগোই অমদি জগোই মখল কয়াসু উৎখি।

থৌরমদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. খগেন্দ্র, অলভা ফাউন্দেসনগী মীহুৎ বিবেকসু দেজদা ফমখি।

## এম এম দব্লিয়ু ওগী তরুকশুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) হেদক্বার্টরসকী তরুকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম দি অব্দুল গাফর, প্রিন্সিপাল, জি পি ৱিমেন্স কোলেজনা চীফ গেষ্ট, এফ এম অব্দুলা পথান, প্রসিদেন্ট, মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন হেদক্বার্টরসনা প্রসিদেন্ট, এস এম জলাল, প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন্স কোওর্দিনেটিং কন্মিটি, এদভোকেট রবি খান, এদভাইজর, এম এম দব্লিয়ু ও, অনৱারি নুরজহান, মার্দর ওফ পাঙল সোসল ৱার্কর অমসুং এম দি সহানৱাজ, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা এম এম দব্লিয়ু ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এম এ চেসাবনা হায়খি, লমদম অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লবা লমদম অসিগী লৈহাওদা লৈরক্লিবা মুস্লিম অমদি লমদম অসিগী মৈতৈ নিংঙোলশিংগী চাদা নাওদা ওইরিবা মৈতৈ-পাঙল হায়না খঙনরিবা ফুরুপ অসি খুন্নাইগী শেল-থুমগী অমসুং মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা হীরমদা খুদিংমক্তা শোত্থনা লৈরিবা হায়বসি মীপুম খুদিংদা লৈনরবা ৱাফমনি। হীরম খুদিংমক্তা শোত্থদুনা লৈরিবা ফুরুপ অসি খরদংদা ওইরবসু চাউখৎপা ঙম্নবা মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গল তঙাইফদ্রে হায়না খঙদুনা এম এম দব্লিয়ু ও হায়না মিংথোনবা লূপ অসি হৌখিবা কুমজা ২০১০ গী দিসেম্বর ৭ তা শেমখিবনি।

লূপ অসিগী শেম্বগী মরুওইবা পান্দমদি ঈং-তপ্পা, অচুম্বা ৱায়েল অমদি চাউখৎপা হায়বা অসিদা মরুওইবা পান্দম ওইরগা হন্থবা থাক্তা লৈরিবা ফুরুপ অসিগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটশিং মপুং ফানা ফংবা ঙম্নবা ফুরুপ অসিবুসু অতোপ্পা ফুরুপশিংগা মান্নবা থাক্তা ঈকায়খুম্ননা হিংবা ঙম্নবগী পান্দমদা শেমখিবনি। লূপ অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ কী দিসেম্বর ১৮ দা পাঙথোকখিবা মাইনোরিটি রাইটস দে নুমীৎতা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা মাইনোরিটি কন্মিসনগী চ্যেরপার্সন য়াওদনা মাইনোরিটি রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা খোঙজং চঙশিনখি।

কুমজা ১৯৯৩ গী মে ৩ দা লৈখিদ্রবশিংগীদমক্তা দুৱাগী থৌরম অমা লূপ অসিনা চহী অসিগী মে ৩ দা ক্ষেত্রিগাও রহমিনিয়া কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখি। চহী কয়াগী মমাঙদগী লূপ অসিনা এম ও বি সী দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মাইনোরিটি মহৈরোয়শিংগী স্কোলারশিপকী শেনফম কয়া অমা নারোন্দা মাঙহনখিবগীদমক্তা লূপ অসিগা লোয়ননা য়ু এম এম দব্লিয়ু দি ও, এ এম এস এস ওগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিনখি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টতা মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী তোঙানবা দিরেক্টোরেট অমা থম্বীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবগী মহয় ওইনা গভর্ণমেন্টনা মাইনোরিটিশিংগী ওইবা দিরেক্টোরেট অমা হাংদোকখি। মৈতৈ-পাঙলগী ওইবা চাদা ৪ গী রিজার্ভেসন ফংনবা তকশিন্দুনা লাকখিবদু থবক্তা ওন্থোকপীরকখি। মৈতৈ, মৈতৈ-পাঙল, টেলি অমসুং নেপালিগী ওইবা মপুং ফাবা সোসিও এদ্যুকেসনেল ফিল্ড সর্ভে অমা ও বি সী কন্মিসন্না তৌবীরগা সর্ভে অদুগী চপ চাবা ফাইন্দিং অদুদা বেজ তৌরগা কম্যুনিটি মরী অসিগী চপ চাবা রিজার্ভেসন ফংফম থোকপা অদু রিকমেন্দেসন তৌবীয়ু হায়না তকশিল্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এফ এম অব্দুলা পথাননা হায়খি, মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মরক্তা নেসনল হায়ৱে অনীদা য়ু এন সী নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা ইকনমিক ব্লোকেদ তোয়না তৌশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা তম্পাক্কী লমদা লৈরিবা মীয়ামদা খম-থেংনা অৱা মায়োক্লহল্লি। অমরোমদা, গভর্ণমেন্টনসু লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং মতম চানা লৌখৎপীবগী মহুত্তা তুমীন্না লৈশিল্লি।

য়ু এন সীনসু মতম শাংনা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থরবদি ফুরুপ কয়াগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়বসি খন্থহন্নিংই। ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিন্নবা লৈঙাক্না করি করম্বা মখলগী থবক থৌরমশিং লৌখৎলিবগে হায়না হংলক্লি। লমদম অসি ঈং-তপ্পা লৈদুনা চাউখৎহনসি হায়রবদি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা ফুরুপ মচাশিংবু মীনুংশি উৎতুনা ঈকায়খুম্নফম থোকই হায়খি।

## মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগী মিতমদা...

*লামায় ১গী মখা...*নোংমগী ময়েক শেংবা হেনগৎলক্লি। মহাকপু হাৎখিবা অদুনা মীহাৎপশিং অদুগী নীংবা থুংলব্রা হায়বদুদি ঙসিসু খঙবা ঙমদ্রি। করিগীদমক মহাকপু হাৎপনো হায়বদুসু শাংলবা চহী ২২ অসিদা শেংদোরকপা লৈত্রি। মতম অমদা লমদমসিদা ওইরম্বা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক ঙসিদি লৈঙাক অসিনা হোৎনবদগী মশীং হন্থরে।

মহাক্না মখা তানা হায়, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শিরগদবা মীওইপোক অসিদা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক্কীদমক ঙমজবা থবক খরদা ওইরবসু তৌনবা হোৎনগদবনি। মীনা ফত্তবা থবক তৌরে হায়দুনা ঐখোয়সু ফত্তবা তৌগদবা নত্তে। মদুগী মহুত্তা মীওইশিং অদুগী ৱাখল হোংদোকহন্নবা হোৎনগদবনি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, চীংমী-তম্মী ইচিল-ইনাওনি, ইমা অমত্তগী মচানি। চহী চা কয়া নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরিবসি মাঙহন্নবা মীওই খূজোক খরনা হোৎনরি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক খঙগদবনি। চীংমী-তম্মী নুংশিননবগী লম্বী য়াৎপদা মোরাইথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী থৌরম পাঙথোক্লিবসিনা মতেং পাংগনি। মহাক্না পূন্সি কৎখিবসি মীয়ামগীদমক্তনি। কাঙলূপ ফূরুপকী খেন্নবা থমদনা থৌরমসিদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নরিবসিনা থৌরম অসি মায় পাক্লে হায়না লৌই। মীয়াম্না ঙসি ইকনমিক ব্লোকেদকী অৱাবা মায়োক্লরি হায়দুনা গাইখাঙমনা হায়খি, মীওই খরগী অপাম্বা ফংনবা হোৎনবদা ইনশিল্লগা মতম কত্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থরিবসি মীওইবা খুন্নাইগী চৎনবী নত্তে। মওং মতৌ অসি মালেমগী লৈবাক অমত্তদা তৌনদে। অসিগুম্বা ফত্তবা থবক তৌবশিং মশানা তৌজবা কোমদা তাদুনা শিজখিগনি।

অফবা খুন্নাই অমগীদমক অপীকপা ৱাখল থাদোকসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখিবা চহীগী থৌরমগী মতাংদা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লৈখিদ্রবগীনা মচানুপা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি পোলিটিকেলগা মরী অমত্তা লৈনদে। হৈরোক অমদি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা ঈং-তপ্পা পুরক্ত্রিবা ফাওবা ট্রষ্ট অসিনা চহী চহীগী তোঙান তোঙানবা হীরমদা থৌরমসি পাঙথোকখিগনি।

মহাক্না হায়খি, মণিপুরদা মীহাৎ-মীপুন মপুং ফানা হন্থরে। তাঞ্জাসিদা ফুরুপ খরনা লন্নাইগী কান্নবা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌদুনা মীয়াম ৱাহনবা ফত্তে। মীওই খুজোক খরনা মণিপুর মীয়াম পূন্নমক ৱাহনবা চুল্লোই। মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না হৈরোক এ সী অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম মাঙ থানা পায়খৎপা ঙল্লে। থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা ট্রষ্টনা শীন্দুনা অহল ওইরবা মীওই ৭০০তা ওল্ড এজ পেন্সন পীরি। চহী ৪৫গী মখাদা লৈবা লুখ্রাবীশিংদা ৱিদো বেনিফিট স্কিম পীরি। মসিগী মথক্তা কেন্সরনা নারবা মীওইশিংদা লুপা লীশিং ১০/১০ মতেং পীরি। পূন্নমক অসি এ সী অসিগী মীয়াম মান্নবা লম্বী অমদা চৎননবা হোৎনবনি। থৌরম অদুদা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং, এম এল এশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোক থোংবা লূচিংবশিং শরুক য়াখি।

## বরাক থোং লানবা থিংগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: ইম্ফাল-জিরিবাম রোদ (নেসনল হায়ৱে ৩৭) কী ফুট ৩৬০ রোম শাংবা বরাক তুরেলগী মথক্তা শারিবা বরাক থোংগী ফীভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইদুনা ৭৬৫ বি আর টি এফ (জি আর ঈ এফ) না শেমজিন্নবা গাড়ী লানবা থিংগদৌরি।

মণিপুরগী গভর্ণরগী মীৎয়েং মখাদা মোটোর ভেহিকল এক্ট ১৯৮৮ কী সেক্সন ১১৩ গী মতুংইন্না থা অসিগী ৮ দগী ৯ ফাওবা মখল অমত্তগী গাড়ী হায়রিবা থোং অসি লান্দুনা চৎপা য়ারোই হায়রি। বি আর টি এফনা বরাক থোং শেমজিন-শাজিন্নবা হোৎনরিঙৈদা থোং অসি লানবা থিংগদৌরিবনি। অদুম ওইনমক পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং অমদি মেদিকেলগা মরী লৈবা ইমার্জেন্সি ভেহিকলশিংদি থোং অসিগা মায়োক্লনা লৈবা ফুট ৩৪০ শাংবা বরাক্কী বি এস বি ব্রিজদা লাম্থোক লানশিন তৌবা য়াগনি হায়না এম লক্ষ্মিকুমার, কন্মিস্নার, ট্রান্সপোর্টনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: এন এস সী এন (আই-এম) গী লেফটনেন্ট এন্থোনী নিংখান উখুল তাউনদা ঙসি মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা তাঙ্খুল নাগালোংনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। টিহার জেলদা চহী মঙা লৈরুরবা এন্থোনী নিংখান সিমরে (৫৫) উখুলদা অহানবা থোক্লকপগী ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি উখুল তাউনদা অয়ুক্কী পুং ১১ দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা মীয়াম্না থোং লোন্দুনা মাবু হরাও তরাম্না ওকখি। মহাক উখুলগী তুশর খুনদা লৈবনি।

## এস বি আই দিজিটেল বেঙ্কিংগী কেম্প্যেন লমথাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) :

এস বি আই আর বি ওনা শীন্দুনা মীয়ামদা এস বি আই দিজিটেল বেঙ্কিংকী মরমদা খঙহন্নবা কেম্প্যেন অমা ঙসি এস বি আইগী জেনরেল মেনেজর পনালাল দাসনা থাঙ্গাল কৈথেল, এম জি এভেন্যুদগী লমথাখ্রে।

এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অদু লমথাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা এস বি আইগী লোকল হেদ ওফিসর গুৱাহাটি এন ঈ সর্কলগী জেনরেল মেনেজর পনালাল দাসনা হায়খি, মালেমদা চাউখৎলকপা লোয়ননা দিজিটা-ইজেসনশিং হেন্না পাকশন্না শন্দোরক্লি। লৈবাক অসিদা দিমোনেটাইজেসননা বেঙ্কশিং, এ টি এমশিংদগী শেল লৌথোক্লবা হোৎনবদা হেন্না চাউরবা থবক অমা ওইনরি। এস বি আইগী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা মখলগী ওইনা ইন্টরনেট বেঙ্কিং, পোইন্ট ওফ সেলনচিংবা কয়াসু পায়খৎলি। লমদমসিগী মীয়াম্না খুদোংচাবশিং অসি লৌবা য়াই। মীয়াম্না ফোন নৎত্রগা কম্প্যুটর অমগী খুথাংদা ৱেবসাইটতগী দাউনলোদ তৌদুনা কান্নবশিং খঙজিনবা য়াই।

বদ্দি হায়বা অসিনা ইশাগী মনি বেগকুপ্লবা এপ্লিকেসন অমনি। মসিনা ফুরিৎখাউদা শেল য়াওদ্রবসু দুকান অমদগী হেক্তা লৈবা য়ারে। দুকানশিংনসু অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবগীদমক থৌরাং তৌদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীরে হায়নসু মখা তাখি। থৌরম অসিদা এস বি আইগী মশক নাইরবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৮-১২-২০১৬, শগোলশেন, পোইনুগী ৯ নি পানবা নুমীদাংগী পুং ১২.৩৬ তগী ১০ নি পানবা, যোগীনি মায়কৈদি নোংপোক, নুমীদাংগী পুং ১২.৩৬ তগী অৱাং

**মেষ ঃ** অনৌবা মরুপ লাকপা, নুংনাংবা, অকাউবা পীবা মতাংনি, ৱাখল লাংবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথিবা, শাউনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**বৃষ ঃ** থবক তৌবদা চনিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্না, ৱাথোক ওইবা লৈ, পূক্নিং তপথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৱাহৈ পুথবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙ, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন ঃ** মীনা চানবীবা, শাউনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফংগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**কর্কট ঃ** মীনা পাউথোকপা, নুংশিবা ৱাৎপা, তৌবীমল ৱাৎপা লৈগনি, শেল চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পূক্নিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।

**সিংহ ঃ** লন চঙবা, ইচিল ইনাওদগী মুক্কবা পীরকপা, মরুপনা য়েক্লবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্তনা অমা ঙাঙথোকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**কন্যাঃ** মীগী মতেং তৌবা, নুংঙাইতবা লাকপা, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, ঘী।

**তুলাঃ** য়েক্লবা য়াম্বা ওইরিব, লোয়নবা মখা থাবগা শাউনবা, নীংজবা তুংবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হীদাংবা লৈগনি, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং চেৎশিন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক ঃ** মীৱা মৈশা লৈবা, লাংতক্লবা, পন্দুনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফংজবা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা।

**ধনুঃ** শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ুমদা লৈনিংদবা চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোথোক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎ মায় নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মকর ঃ** নিংদোন পোম্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ঈকায়বা নংবা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা, ৱাখল খেন্নবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** অৱা নুংঙাই য়ানগনি, মীনা পাউথোকপা, অরংবা পোৎ, লৌরী য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লাল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

**মিন ঃ** শাউহনবা লৈ, খল্লম্বা ৱাখল ওন্ন-তৈনবা লাকপা, অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীয়ামগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাগৈ নাতৈনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।